# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না উখ্রুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী নাৎ, চৎনবী য়োকখৎনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা ৱারী শান্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা বোম য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপদি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগী থবক হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চৎখৎনবা হোৎনগদবনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না তাঙ্খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী নাৎ, চৎনবী য়োকখৎনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেরিয়েটতা তাঙ্খুল সনাউলোং উখ্রুলগী মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং সরকারনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। উখ্রুলগী মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিংদা মফম অদুগী মীয়ামা শৌগৎপগা লোয়ননা খোঙজেল য়াংনা চংশিন্নবা ৱারী শান্নবা অদুদা য়ান্নখি। মসিগী মথক্তা

তাঙ্খুলশিংগী ইনাক খুল্লবা নাৎ চৎনবীশিং য়োকখৎপগা লোয়ননা ঙাক শেনদুনা থমবা হোৎনবদা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীননবসু য়াম্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা উখ্রুলগী শিরুই খুলগী মীহুৎশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা সমস্যশিং খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং মফম অদুদা মপুং ফানা চৎনহন্নবসু খন্নখি। শিরুই লিলিগীদমক থোইদোকা শকখঙনরিবা খুল অসি হেন্না মশক থোকপা খুল অমা ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্ননবসু ৱারী শান্নবা অদুদা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা বোম য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী চীং অমদি চীংগা তাইনবা মফমশিং, লোয়ননা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী শামুকোম এরিয়াদা চখখিবা ওপরেসনদা থার্তিসিক্স হেদগ্রেনেদ ৮, পিষ্টোল ২, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু ৮, পোম্পি ৩, পোকখায়বা য়াবা মচাশিং অমদি পোম্পি গ্রেনেদ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তিসভেন ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৩১ অমদি নেসনেল হাইৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা গাড়ি ২২ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। মখা তাবা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎ অপন লৈতনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়রি।

ফোক্স (এল)ঃ থাদৌ কনভেনসন ওর্গনাইজিং কমিতি গুৱাহাতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা ৱার ওন ড্রগস কেম্পেন শৌগৎকনি অমদি এন.আর.সি. চৎনহন্নবা ৱাফম শৌগৎকনি হায়না ৱারেপ লৌখিবা অদু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)না তরামা ওকই

হায়রি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থা অসিগী ১ অমদি ২ দা নুমিৎ নিনি চুপা গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা থাদৌ কনভেনসনদা লৌখিবা ৱারেপশিং অসি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অরিবা ফুরুপ অমা ওইরিবা থাদৌ ত্রাইবনা আইদিয়াজ ওফ মণিপুরগী পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা থাজবা থমদুনা লৌরকপা ফিরেপনি হায়না লৌই। ৱারেপ অসি অতৈ ফুরুপ খুদিংমকসু থাগৎফম থোকই।

অমরোমদা, থাদৌ কনভেন্সন্না মণিপুরদা এন.আর.সি চৎনহনবদা শৌগৎকনি হায়না লৌখিবা ৱারেপ অদু মীতৈ লিপুনগী মাইকৈদগীসু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপদি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগী থবক হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চৎখৎনবা অমসুং হেন্না ফজবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি।

নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা ঙরাং সুপ্রিম কোর্টকী লাইরিক অহুম ফোংবগী থৌরমদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- থোং মান্নবা অমসুং থোং মান্ননা অচুম্বা ৱায়েংলল ফংহন্নবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন্না লমজিংদুনা জ্‌দিসিয়ারিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি। লোক অদালটশিং পাঙথোকপা অমসুং জিলা থাক্কী জ্‌দিসিয়েল ওফিসারশিংগী কনফরেন্স পাঙথোকপনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা গ্রাউন্দ রিয়েলিতিশিং নিংথিনা খঙবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস দি.ৱাই. চন্দ্রচুরনা হায়- গ্রাউন্দ রিয়েলিতিগী চপ চাবা মওং মতৌশিং খঙদনা আইন অমসুং থৌশিলশিং শেম্বদা মপুং ফাহনবা ওইথোক্লোই।

জল উৎসব ঃ ঈশিং শিজিন্নবা, য়োক্কুনা থম্বা অমসুং মরাং কায়না ফংহন্নবগী মতাংদা নিতি আয়োগনা শিন্দুনা থখায় অমা চুপা পাঙথোক্কদবা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম জল উৎসব ঙসি হৌদোক্লগনি।

মমাং চহিগী দিসেম্বরদা প্রধান মন্ত্রিনা নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অহুমসুবা চীফ সেক্রেটরিশিংগী কনফরেন্সতা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা নারি উৎসবকী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা জল উৎসব অসি হৌদোক্কদবনি।

নিতি আয়োগকী চেরোল অমদা হায়- জল উৎসব অসি এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট ২০ অমসুং ব্লোকশিংদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথগনি। মসি নেসনেল জল জিবন মিসন, দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন অমসুং জল শক্তি মন্ত্রালয়গা খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদবনি। রাজ্য ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জল উৎসবকী থৌরম অসিনা মীয়ামদা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা অমসুং ঈশিং ফংফমশিং ঙাক শেন্নবগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা পান্দম থল্লি।

পেন্সন ঃ পার্সোনেল, পাব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্সকী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা নেসন ৱাইদ দিজিতেল লাইফ সার্তিফিকেট কেম্পেন থ্রি পোইন্ট জিরো হৌদোক্লগনি।

থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগদবা কেম্পেন অসি লৈবাক অসিগী সিতি অমসুং জিলা ৮০০ দা পাঙথোক্কনি। কেম্পেন অসিগী মনুংদা দিজিতেল লাইফ সার্তিফিকেট অমসুং দিজিতেল ইম্পৱারমেন্ট হেনগৎহনবনা পেন্সনরশিংদা পীগদবা কান্নবশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনগনি।

নাগালেন্দ ঃ ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী চেয়ারমন ডাঃ অরবিন্দ পানাগারিয়ানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু, তোঙান তোঙানবা ষ্টেগ হোল্ডরশিং, রুরেল এন্দ অরবান লোকেল বোদিশিং অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী মীহুৎশিংগা কোহিমাদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। মীফম অদুনা নাগালেন্দগী শেল থুমগী ফিভম, মসিগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অদুগী শেনমিৎলোনগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

জপান ঃ জপানদা মালেমগী ওইনা ইহান হানবা উনা শাবা সেটেলাইট-

লিগনোসেট ঙরাং স্পেচতা থাগৎখ্রে। সেটেলাইট অসিনা পৃথিবীগী অকোইবদা থা ৬ চুপা কোইগনি। জপানগী কায়োতো য়ুনিভর্সিতিগী রিছার্সরশিংনা দিজাইন তৌবা সেটেলাই অদু মেগনোলিয়া উনা শেম্বনি হায়রি। সেটেলাইট অসিনা স্পেচকী অঙ্গৈং অশাগী ফিভমদা উনা কমদৌনা মথৌ তৌবগে হায়বদু খঙবা ঙম বা পান্দম থল্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

থাদৌ কনভেন্সনগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী ৱাফম, থম াপোকপীদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী পাউ অমদি নেসনেল হাইৱে পরিংদা নমদুনা শেনখায় থুমখায় তৌবগী মায়োক্তা সেনাপতিদা চংশিল্লকপা গাড়ি থিংবগী খোঙজংগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

পোকফমদা- ওফিসিয়েলশিংদগী ৱারী শান্নবগী ইঙ্গিৎ ফংদ্রি, মাল পুবা ত্রক ২০০ হেন্না লম্বীদা পনদুনা লৈরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- তাঙ্খুল খুলদা এঙ্গলো কুকি ৱার থোকখি হায়রকপদা তাঙ্খুলশিং মৈ হৌনা শাউনরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- নবেম্বর ১৩ অমসুং ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ঝারখন্দ অমদি মহারাষ্ট্রগী মীখল মমাংদা মণিপুর লৈঙাক্তা অহোংবা লাক্কদ্রা হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু স্পিকর টি.ঐচ. সত্যবর্তা, এম.এল.এ- এল. রামেশ্বর অমদি এম.এল.এ- কে. রোবিন্দ্রা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না সব-হেদলাইন অমসু পীরি।

সনালৈবাক্তা- অতোপ্পা ষ্টেটনা শুংবীবা মণিপুর খক্তদা য়োনগদবা য়ুঙাং ষ্টেট অসিদা মরাং কায়না ফংলে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিদা মণিপুরদা য়ু য়োনবগী অথিংবা লৌথোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদি য়োনবগী অয়াবা পীদ্রি হায়বা এক্সাইজকী ৱাফমনা সব-হেদলাইন পীরি।

মণিপুর নিউজদা- কাংলুপকী ইরাং শাগৎনবা মীওই খরনা য়েন্নাউ মুনবিখ্রে

হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলুবা অনি লোকঅপ য়ৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি অহুম ফিভম শোক্লে, দি.এম.য়ুগী রিকোগনেসন ককখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়বা এম.আই.ৱাই.সিগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- কোকোমি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা থাদৌ কনভেন্সনগী ৱারেপ্পু থাগৎনরক্লি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- তমেংলোংগী মফমশিংদা ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি, রিজার্ভ ফোরেষ্ট নত্রগা প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট ওন্থোকপা য়ারোই হায়বা তমেংলোংগী সি.এস.ওশিংগী ৱাফম অনিসুনা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- মণিপুরদগী লাকপা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিংদা মিজোরমগী চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ১ দোনেট তৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- থমাপোকপীদা লৈবা মৈতৈ খুলদা লান্দারকখ্রে, অশোক অপনগী পাউদি লৈতে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা ওপরেসন চথবদা কন্ত্রিমেদ রোকেট কয়া ফাগৎপা ঙমলে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সরকারগী মাইকৈদগী ৱারোইশিন অমা পুরকপগী মওং উদবদগী সেনাপতিগী সি.এস.ওশিংগী খোঙজং মখা চথরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- থাদৌ কম্ম্যুনিতি ইন্তরনেসনেল কনভেন্সনদা থাদৌ অসি কুকি নত্তে হায়বা স্লোগান- থাদৌ ইনপী জেনেরেল হেদক্বাটরসনা অকনবা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি অমদি ফোরেষ্ট রাইটকী মতাংদা নোংমগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

------